HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ



কোভিদ-১৯ লান্থেংনবদা শীজিন্নগদবা হীদাকশিং ফাউন্দেসন ফোর ফিটনেস এন্দ সর্ভিস, মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি রামানন্দ অমসুং অমুকো ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট হেরামনিনা য়েন্থোকখিবা


এম য়ুগী রেগ্যুলর ভি সী হাপ্লকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি
☛ লামায় ২

মিনিষ্টর ভুংজাগিন বালতেগী য়ূমদা হীদাক কাপখ্রে
☛ লামায় ৩

লৌমীশিংগী ঈশিংগী অৱাবা কোক্লবা মতেং পাংবীয়ু
☛ লামায় ৫

এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী দ্রামা তোকপীরো, হারগী অৱাবা কোকহনবীয়ু
☛ লামায় ৬


কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ ফাইটিং টাস্ক ফোর্স বি জে পি লম্লাই মন্দলগী চেয়রমেন ইবোমচাগী মখাদা তখেল চীং-তম কম্যুনিতি হোলদা মাস ভেক্সিনেসন পাঙথোকখিবা ক্লবতা ঈশিং অমদি শেলগী তেংবাঙ পীখিবা



Vol. 45, Issue No. 121 | নিংথৌকাবা, ইঙেনগী ১৮নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, July 26, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## হোমদা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস): চয়োল অনীমুক্কী মমাঙদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈরক্লিবা সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর টি ঐচ সৈত্যবর্ত্তী ভোলুন্টিয়রশিংনা ঙসি লাঙ্গোল নিংথৌ লৈকায়দা লৈবা লাঙ্গোল ওল্ড এজ হোমদা চেঙ, হৱাই, আলু, তিলহৌ, ঙারি, অচাথাও অমসুং থুম্লচিংবা খুদোল তমখ্রে।

## মীদিয়া ফেলোসিপ

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইটিগী প্রোজেক্ট দিরেক্টরনা থোকখিবা চেরোল অমদা মণিপুরদা বেজ তৌবা জর্নেলিষ্টশিংদগী ঐচ আই ভি অমসুং এইদসকী মতাংদা পাউ ইবা অমসুং ফোঙনবগীদমক থা ৬কী মীদিয়া ফেলোসিপকীদমক এপ্লিকেসন কৌরি হায়রি। মীদিয়া ফেলোসিপ অসিগীদমক এপ্লিকেসন পীশিনবগী অরোইবা মতম মথং থাগী ৭নি। অদুগা খনগৎলবা মীদিয়া অনীদা ইন্সটোলমেন্ট অনীদা ষ্টাইপেন্দ ওইনা লুপা লিশীং ৫০/৫০ পীগনি হায়রি।

## জকুরাধোরগী ৱাথোক য়াশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস): জিরিবামগী জকুরাধোর পার্ট টুদা লৈবা শিব মন্দিরগী কেম্পসতা অশেম্বা ষণগী শরুকশিং লংশিল্লম্মী হায়বগী মায়োক্তা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পিদা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা ৱাকৎখিবা অদুগী মতাংদা ঙসি জকুরাধোর এরিয়াগী মুসলিম অমসুং হিন্দু কম্যুনিতি অনীগী মীহুৎশিংগগী মরক্তা খূৎয়েক পীনদুনা য়াশিন্নবগী এগ্রীমেন্ট অমা ইনদুনা লোইশিন্নখ্রে। শেমদোক্লবা ষণগী শরুকশিং অদু মফম অসিদা লৈবা শিব মন্দিরদগী মিটর ৪০ রোম লাপ্পবা মফম অমদা তারম্বনি হায়রি।

মতুংদা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি থোক্তনবা ষণ শেম্বগী লেমহৌবা শরুকশিং ফুমজিনবদা নিংথিনা পাঙথোক্লবা ৱাফমসু য়ানখি। ঙসি নাকল অনীমক্তা য়ানখিবগী মতুংইন্না জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিদা পীশিনখিবা চেরোল অদু হন্দোকপা হায়নসু লেপ্লখি। মন্দিরগী কেম্পসতা লৈরমখিবা অদুগী মতাংদা এম দি অবদুল মোতিমনা নাকল অনীমক্তা লাল্লে হায়জবগা লোয়ননা থৌওং অদু ফত্তবা ৱাখলদগী তৌখিবা নত্তে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

### অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৩.৮১ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৭.৮৪ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.৫৬
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৩৯
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০২

### HL Poll

Q: Supreme courtna MLA 11 disqualify touraklagadi manipurgi politicsta achouba charangnaba ama soidana thorakkadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Manipurgi lemhouriba sannaroi ahumnasu Tokyo Olmypic gamesta leibak ashigi mingchat purakkani haibada achumba oiroidra?

Yes 64% No 36%

### অসু! লোইরেহে!

- নোং তানবা ঐনা লাই ফজনা খুরুমখ্রবনি, তাদ্রিবরা?



- তাবদি হায়রুনু সর, নুংশা শাবদুম হেনগৎলে।

# গোবিন্দাস লাক্লে, কৌরকপদগী শর্দা চঙখ্রে

## সী এমসু হল্লকখ্রে, পোলিটিকেল দিভেলপমেন্ট সুপ্রিম কোর্টকী ভর্দিক্ট মতুং ইনগদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচএনএস): মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বদগী থা অসিগী ৩শুবা চয়োলদা ফম অসিদগী তোকচরগে হায়খিবদগী এম পি সী সীগী হৌজিক ইম্ফালদা কেম্প তৌদুনা লৈরক্লিবা এ আই সী সীগী মণিপুরগী ইন চার্জ ভক্ত চরন দাসনা ফাওবনা কন্ট্রেক্ট তৌনবা হোৎনবদা ফংবা ঙম্লকখিদবা পার্টি অসিগী এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজম ঙরাং ইম্ফালদা হল্লকখিবগা ইকান কান্নদনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দা পার্টিগী লুচিংবশিংনা কৌরকপদগী দেল্লীদা পাইশিনখিবগা লোয়ননা হয়েং সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা পর্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিগী কেস দিস্পোজ তৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা মণিপুরগী পোলিটিকেল এরেনাদা অচৌবা অহোংবা অমা লাক্লবা য়াই খন্নরম্বা অদু হয়েংগী এপেক্স কোর্ট অসিগী ভর্দিক্ট মতুং ইনগদৌরি।





গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্টগী ফমদগী রেজিগনেসন লেট্টর পীশিনখিবদগী ওইরকখিবা ষ্টেটকী পোলিটিকেল দিভেলপমেন্টশিংগা মরী লৈনবা পাউশিংনা হায়বদা এ আই সী সীগী লুচিংবশিংদা রেজিগনেসন লেট্টর পীশিল্লুরবা মতুংদগী ঙরাং খক্তমক এয়র ইন্দিয়াগী ফ্লাইট নম্বর এ আই-৮৮৯দা নুংথিলগী পুং ১.২৫ রোম তারকপদা গোবিন্দাস কোন্থৌজম কোংগ্রেসকী অতোপ্পা এম এল এ য়ামথোং হাওকিপকা লোয়ননা ইম্ফালদা থুংলখ্রে।

পনবা য়াবদি, এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট ফমদগী রিজাইন তৌখ্রবা গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা এম এল এ য়ামথোং হাওকিপকা ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতুংদা থুংলবগা ইকান কান্নদনা নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তারকপদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দা পার্টিগী নেসনল লিদরশিংনা খুদক্তা কৌরকপদগী দেল্লীদা পাইশিনখ্রে। মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা শগোলবন্দ এ সীগী শমুরাইলাৎপম প্রেমানন্দসু লোয়নখি। মখোয় অনীমক ঙরাং এয়র ইন্দিয়াগী ফ্লাইট নম্বর এ আই-৮৯০দা দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবনি।

নুমিৎ খরনি অসিদা লৈরকখিবা পোলিটিকেল দিভেলপমেন্টশিংগী মতাংদা অতোপ্পা ছোর্স অমনা হায়বদা গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্টগী ফমদগী তোকপগী রেজিগনেসন লেট্টর পীশিল্লবা মতুংদা নাগপুরদা বি জে পিগী মকোক থোংবা লিদরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মরু ওইবা মীশক অমা য়াওনা অতোপ্পা মফম খরদসু বি জে পিগী লুচিংবশিং উনখি হায়রি।

মহাক্লা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট ওইবগী ফমদগী তোকপগী চে পীশিনখিবদগী লৈরকখিবা ষ্টেট অসিগী পোলিটিকেল দিভেলপমেন্টদা মহাক্লা লুচিংবা কোংগ্রেস এম এল এ খরা বি জে পিদা য়াওরগনি হায়বসিনি। থৌরাং অসি হন্দক্তা ইকুই কুইদ্রিঙৈগী মমাঙদা মণিপুরদা লাক্লুনা ষ্টেটকী গভর্নরগা ফাওবা উনরমখিবা বি জে পিগী লুচিংবশিংগী মায়কৈদগী লৌখৎলকখিবা অনৌবা পোরমনি।

থৌরাং অসি হয়েং সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী জষ্টিস এল নাগেশ্বরা রাও অমসুং জষ্টিস অনিরুধা বোসকী বেঞ্চনা কোর্ট অসিদা পন্দুনা লৈরকখিবা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিংগী তোঙান তোঙানবা মেট্টর অহুম ফাইনেল দিস্পোজল তৌরগনি হায়বদগী লাকখিবনি। করিগুম্বা কোংগ্রেস এম এল এ, দি দি থাইসিনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী মথক্তা এপেক্স কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ১৫১ ওফ ২০২১ অসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং ওইহল্লুবা অপূনবা এম এল এ ১২গী মনুংদা অমনা রিজাইন তৌখ্রবসু লেমহৌরিবা ১১ অদুবু দিসক্বালিফাই তৌরক্লবদি হৌজিক লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিগী মেজে রিটিদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

# কংলাগী অরিবা নোংপোক থোং

# চহী ২০০ হেনবগী রিপোর্ট লাক্লে

*পুৱারীগী লিক্লম...*

**নোমিতা খোংবান্তাবম**



ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচএনএস): মণিপুর গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলকপা ইনিসিএটিভকী মখাদা মণিপুর পুলিস হাওজিং কোর্পোরেসন (এম পি ঐচ সী) না ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্সী ওইরদুনা নৌনা শাবা হৌগৎলক্লিবা কংলাগী নোংপোক থোং অসিগী মমাঙদা হান্না লৈরমখিবা থোং অদুগী মচাক ওইনা শীজিন্নরম্বা পোৎলমশিং রেদিও কার্বোন দেটিং তৌদুনা পোৎলমশিং অদুগী চহী খঙদোক্লবা থারুবদা হান্না লৈরম্বা থোং অদুদা শীজিন্নরম্লিবা পোৎলমশিং অদু চহী ২০০ রোমগী পোৎলমশিংনি হায়বগী রিপোর্ট লাকখ্রে।

হৌজিক মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা শেংলবা কংলা লাইফমলেনগী অরিবা মতমগী মশকশিং হঞ্জিলহন্নবগী লৌখৎলকপা থবকশিংগী মনুংদা অমা ওইনা ইম্ফাল তুরেলগী মথক্তা কংলাগী নোংপোক থোং শাগৎপগী থবক হৌরকখিবনি।

থবক অসি চৎলিবা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদগী হৌরকপনি। মতম অমদা কংলাগী নোংপোক থংবা শরুক্তগীনা ইম্ফাল তুরেলগী মথক্তা নোংপোক থোং অমা লৈরম্মী। অদুগা কংলা রোমদগীনা থোং অসি লান্থোক্লগা হাট্টারোমদা তারম্মী হায়বা ৱাফমদগী অনৌবা মতমগা চুনবা টেক্নোলোজি অমদি মেটরিএলশিং শীজিন্নদুনা নৌহৌননা শাগৎলকপা ওইরগসু মতম অদুদা লৈরম্বা অরিবা নোংপোক থোংগী মশক অদু উহনগদৌরিবনি। অরিবা থোং অদুদি চেকনা মখোঙ হৌরগসু উ শীজিন্নরম্মী অদুগা থোং অদুগী মথকসু ঈনা কূপ্লম্মী।

ৱাফম অসি লমদম অসিগী অরিবা লাইরিকশিংগী মনুংদা মরু ওইবা অমা ওইরিবা ‘চৈথারোল কুম্বাবা’ দসু ময়েক শেংনা ইরম্লি। হান্না লৈরম্বা অরিবা নোংপোক থোং অদুগী শক্তম লাকশিল্লগা অনৌবা অমা শাননবগীদমক থোংগী মখোঙ ওইনবা কংলারোম থংবা শরুক্তা তৌথোক্লবদা হান্না লৈরম্বা অরিবা থোং অদুগী চেক্কী মখোঙশিং থেংনখিবনি। মদুদগী লৌখৎলকপা থোং অদুগী উগী শরুকশিং অদু চহী কয়া শুরবা উশিং ওইগদবনো হায়বদু খঙদোক্লবগীদমক রেদিও কার্বোন দেটিং তৌদুনা য়েংথোক্লবা থাখিবনি।

অদুবু, হায়রিবা টেষ্ট অসিগী রিজল্ট হৌজিক লাকখিবগা লোয়ননা অরিবা নোংপোক থোং অদুদা শীজিন্নরম্বা উশিং অদু চহী ২০০ রোম শুরবা ঙাক্তনি হায়বগী ৱাফম রিপোর্ট ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# মেরি কোম প্রী-ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে





ন্যু দেল্লী, জুলাই ২৫ (এজেন্সী): নুপীগী বোক্সিংদা মালেমনা মশক খঙলবী ‘মেগনিফিসেন্ট মেরি’ হায়না খঙনরিবী ৱর্ল্ড টাইটল ৬লক লৌবা ঙমখ্রবী মণিপুরদগী হৌখিবী এম সী মেরি কোমনা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা ঙসি টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী নুপীগী কিলোগ্রাম ৫১গী কেটগোরিদা মঙোন্দগী চহী ১৫ নৌরিবী দোমিনিকান রিপব্লিককী বোক্সর মিগুইরিনা হর্নান্দেজ গার্সিয়াবু মায়থীবা পীদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

মেরি কোমগী লম্বা ওইখিবী দোমিনিকান রিপব্লিককী হর্নান্দেজ গার্সিয়া চহী ২৩দা ঙাইরিবী বোক্সরনি। মহাক্লা কুমজা ২০১৯দা পান অমেরিকান গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি।

ঙসিগী বাউট অদুগী অহানবা রাউন্দদা জজ মঙাগী মায়কৈদগী জজ অহুম্লা মেরি কোমদা পোইন্ট হেন্না পীখি। অদুগা অতোপ্পা জজ অনীনা হর্নান্দেজকী মায়কৈদা পোইন্ট পীখি।

অনীশুবা রাউন্দদা নহা ওইরিবী হর্নান্দেজকী মায়কৈদগী ফজবা খরা হেল্লকপা মরম্না জজ মঙাগী মায়কৈদগী মঙোন্দা জজ অহুম্না পোইন্ট হেন্না পীদুনা লৈখ্রবা মতুং অতোপ্পা জজ অনীনা মেরি কোমদা পোইন্ট পীখি।

অরোইবা অমদি অহুমশুবা রাউন্দ অদুদা বোক্সর অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পোইন্ট ফংননবা হোৎনরকপদা য়াম্না অকনবা লম্বা তৌনখি। মেরি কোমগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা পোইন্ট খরা রাউন্দ অদুদা ফংবা ঙমখিবদগী লোইশিল্লকপদা জজশিং অদুগী মায়কৈদগী মঙোন্দা পোইন্ট হেন্না পীদুনা বাউট অদু লোইশিল্লকপদা জজ মরিনা মেরি কোমগী মায়কৈদা পোইন্ট হেন্না পীখিবা অদুগা জজ অমনা হর্নান্দেজকী মায়কৈদা পোইন্ট পীখিবা অদুনা মরম ওইদুনা ৪-১দা থোইরগা মথংগী বাউটতা ৱর্ল্ড নম্বর থ্রী ওইরিবী কলম্বীয়াগী বোক্সর ইনগ্রিট ভেলেন্সিয়াগা লম্বা তৌনরগনি।

পনবা য়াই, ইনগ্রিট ভেলেন্সিয়া কুমজা ২০১৬তা ব্রাজিলনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা রিও ওলিম্পিক গেমসতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখিবনি। হায়রিবা ওলিম্পিক গেমস অদুদা মেরি কোম ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদবদগী শরুক য়াখিদে। ইন্দিয়াগী রাজ্য সভাগী মেম্বর অমসু ওইরিবী অঙাং অহুমগী মমাসু ওইরিবী এম সী মেরি কোমদা ইন্দিয়াগী ওইবা মেদল ফংলক্কনি হায়না মীয়াম্না অচৌবা থাজবা থম্লিবনি। মেরি কোমনা মহাক্কী করিয়রদা নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ শরুক য়ারকপা অহানবা ওইখিবা চহী অদু কুমজা ২০০০দনি। মদুগী মতুং চহী ২১ লৈরগা মেরি কোমনা ওলিম্পিক গেমস অনীরকশুবা ওইনা শরুক য়াবা ঙম্লিবনি। তোঙান-তোঙানবা কম্পিটিসন কয়া শরুক য়াদুনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ তরুক্তা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

ওলিম্পিক গেমসতা নুপীগী বোক্সিং দিসিপ্লিন অসি কুমজা ২০১২দা অহানবা ওইনা লন্দনদা পাঙথোকখিবা গেমস অদুদা হৌখিবনি। মদুদা মেরি কোম শরুক য়াদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি। চহী ২০ হেন্না বোক্সিং মশান্না অসিদা শরুক য়াবা ঙম্লিবী এম সী মেরি কোমনা মহাক্কী করিয়র অসিদা অৱাবা অমদি নুংঙাইবা কয়া অমসু য়াওখি। মহাক্লা কুমজা ১৯৯৮দা লৈখিদ্রবা ইন্দিয়াগী বোক্সিং পুৱারীদা এসিয়ন গেমসকী ওইনা লামায় হাংদোক্লম্বা ঙাঙোম দিঙ্কোবু লাইনিং ওইরগা মণিপুর খক্তা নৎতনা ইন্দিয়াগী ওইনা নুপীগী বোক্সিংদা অফবা শক্তম অমা অতোপ্পা বোক্সরশিংগীদমক্তা থম্বা ঙমখিবনি।

# ‘চাকখুমসু টেষ্ট তৌবীয়ু’

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯গী অকনবা শাফুদা মোইরাংগী মীয়ামশিং চরা অমগীদমক অৱাবা মায়োক্লবা হৌরক্লে হায়রদুনা মোইরাংগী লিদর, সোসল ৱার্কর কয়ানা কন্টেনমেন্ট জোন অমদি পোজিটিভ ওইরবা ইমুংশিংদা চান-থক্লবা পোৎ-চৈ কয়া য়েন্থোরক্লি অদুবু কন্টেনমেন্ট জোনগী মনুংদসু লৈতবা অদুগা পোজিটিভসু ওইদবা ইমুং কয়াদি কর্ফিয়ুনা মপান থোকপা য়াদবদগী চরা অমগীদমক কোক্তা খূৎ হাপ্পরে।

ৱাফম অসি মোইরাংগী কেগে মোইরাং কেন্দ্র অপূনবা লূপকী জেনরেল সেক্রেটরি হেমাম সোমিকান্তগী চেরোল অমনা হায়বনি। চেরোল অসিনা হায়, মোইরাংগী মীয়াম খম থেংনা ৱানরে হায়বগা লোয়ননা মীওইশিং অসিগী চাকখুম মৈ মুত্তনবগীদমক হৌজিক কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবা খক নত্তনা মীওইশিং অসিগী চাকখুমসু টেষ্ট তৌবীয়ু হায়বগী ৱাকৎ লাক্লে। অসিগুম্লবা অৱাবা কয়া অসি কেগে মোইরাং কেন্দ্র অপূনবা লূপনা উদুনা খরদং ওইরবসু মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা ইমুং লিশীং ১ টার্গেট থমদুনা মখোয়গী চান-থক্লবা পোৎ-চৈ য়েনবগী প্রোগ্রাম অমা পাঙথোক্লি হায়রি।

লূপ অসিনা পায়খৎলক্লিবা থৌরাং অসিদা মীয়াম্নসু লূপ অসিদা মতেং পাংবীয়ু, সপোর্ট তৌবীয়ু লোয়ননা অৱাবা মায়োক্লরবশিংদা মতেং পাংবদা মীয়াম্না কো-ওপরেসন পীবিয়ু হায়নসু লূপ অসিগী মায়কৈদগী অপীল তৌরক্লি।

# মিরাবাইদা লুপা লাখ ৩ পীরগনি



এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেননা ফোঙদোকখিবনি।

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচএনএস): জপানগী টোকিওদা পাঙথোক্লিবা ৩২শুবা সম্মর ওলিম্পিক গেমস, ২০২০দা ঙরাং ৱেঠলিফটিংদা সিলভর মেদল ফংখ্রবী সাইখোম মিরাবাই চনুবু মহাক্কী থোইদোক হেন্দোকপা এচিভমেন্ট অসিগীদমক ইকায়খুম্নবা উৎপা অমসুং পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা লুপা লাখ ৩গী শেলগী মনা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা পীরগনি।

ৱাফম অসি ঙসি লমশাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী সলামদা লৈবা নামোইজম নাওবা মৈতৈগী য়ূমদা মহাক্লা য়ু পি এস সী (নেসনল দিফেন্স একাদেমি এগজামিনেসন), ২০২১দা ওল ইন্দিয়াগী ২৭শুবা রেঙ্কতা মায় পাক্লকখিববু তরাম্না ওকপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা

অচম্বা থৌরম অদুদা মিনিষ্টরনা হায়, মিরাবাই চনুনা মায় পাক্লকখিবনা ষ্টেট অসিগী নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংগী পূক্নিং থৌগৎহল্লে। তশেংনমক মসি ষ্টেট অসি খক্তা নত্তনা লৈবাক অসিগী চাওথোকচনীংঙাই ওইবা মীকূপনি। লুপা লাখ ৩গী শেলগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# ফর্ষ্ট দোজ কাপ্লবা ৫ য়াওনা ১৩ শিরে, পোজিটিভ ১২০৭ থেংনরে

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমগী রিপোর্ট মতুংইন্না ঙরাং অনৌবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেস ১১৯৮ থেংনখিবা অদুদগী ঙসিনা অমুক হেনগৎলক্তুনা পোজিটিভ কেস ১২০৭ থেংনখিবগা লোয়ননা ফর্ষ্ট দোজ কাপথোক্লবা মীওই ৫ য়াওনা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ১৩ কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদ্রে হায়রি।

হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা থেংনখিবা অনৌবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেস ১২০৭ অসি ঙসি তোঙান তোঙানবা টেষ্টিং সেন্টরশিংদা পাঙথোক্লখিবা টেষ্টশিংদগী ফংখিবা রিজল্ট ৮,৩২৭গী মনুংদা মীওই ১,২০৭ অসি পোজিটিভ ওইরমখিবনি হায়রি।

ঙসি ফাওবদা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী য়াওনা হেল্থ ইন্সটিট্যুসনশিংদা টেষ্ট তৌনখিবশিংগী ফংবা অপূনবা রিজল্ট মশীং ১০,৪৮,৬৫৫ শুরে হায়রি।

ঙসি থেংনখিবা পোজিটিভ কেসশিং অসিনা রিমসতা ৪৩, জেনিমস ৮৪, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ৮২২ অমসুং অতৈ টেষ্টিং সেন্টরশিংদনা ২৫৮ থেংনখিবনি। পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অদুনা ইম্ফাল ইষ্টতগী ২৯৪, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৩২৫, থৌবাল ১০৬, বিষ্ণুপুর ৯৯, ককচীং ৫৮, উখ্রুল ১১, চূড়াচান্দপুর ১০৫, চান্দেল ৪৪, সেনাপতি ৩, তমেংলোং ৪০, তেংনৌপল ১৭, কাংপোকপী ৫৪, কামজোং ৪, ফেরজোল ১, জিরিবাম ১৪ অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ২৮নি হায়রি।

অমরোমদা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কম্মিটিনা পীরকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদবা মীওই ১৩নি হায়রি। মীওইশিং অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৩, ইম্ফাল ইষ্ট ১, থৌবাল ২, বিষ্ণুপুর ১, ককচীং ২, চান্দেল ২, তমেংলোং ১ অমসুং চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১নি। ঙসি লৈখিদবা মীওই ১৩ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ১৪৭৮ শুরে হায়রি।

লোয়ননা ঙসি লৈখিদবা মীওই ১৩ অসিগী মনুংদা ৭না কো-মোবির্দিটিজ দগীনি অদুগা মীওই ৫না কোভিদ ভেক্সিনগী ফর্ষ্ট দোজ কাপথোকখ্রবা মীওইশিংনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, ঙসি মীওই ৮৬৪ দিসচার্জ তৌখি। মসিগী মনুংদা হোম আইসোলেসন্দগী ৩১৫, রিমস ২, জেনিমস ৭, সী সী সীশিংদগী ২২৯ অমসুং সী ঐচ আই সীশিংদগী ৩১১নি হায়রি।

ঙসি থেংনখিবা অনৌবা পোজিটিভ কেস ১,২০৭ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা থেংনবা অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং ৯২,৬৬৭ (জেনরেল পোপ্যুলেসন - ৮৮৭০১, সী এ পি এফ - ৩৯৬৬) শুরে হায়রি।

ঙসি থেংনখিবা অনৌবা পোজিটিভ কেস ১,২০৭ অসিগী মনুংদা ৪না সী এ পি এফকী পর্সনেলশিংনি অদুগা লেমহৌরিবা ১,২০৩না মীচম মীয়ামশিংনি। মসিগী মনুংদা নুপা ৫৮১ ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# মীমান্নদ্রবা লম্লাই এ সী অমুক্তং পুখৎপনা ঐগী অপাম্বনি : ইবোমচা

### ৮-লম্লাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি

*মণিপুরগী পোলিটিক্সতা অনৌবা মায়থোঙ*

**ডা. খাইদেম অথৌবা**



ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ইলেক্সনদা ৮- লম্লাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সিগী মীহুৎ ওইগনি হায়না চোংথোকরক্লিবা খোংবান্তাবম ইবোমচা (৬২) না করি করম্বা ৱাখল্লোলদগী পোলিটিক্সতা করিগীদমক খোঙদারখিবনো অমদি লম্লাই এ সীগী মীয়ামগীদমক করি-করম্বা থবক তৌবা পাম্লি হায়বগী মতাংদা পাউচে অসিগী ‘মণিপুরগী পোলিটিক্সতা অনৌবা মায়থোং’ হায়বা কেন্দ্দিদেট ওইগদৌরিবশিংগী ৱাখল্লোল ঐখোয় পূম্নমক্না খঙমিন্নবগী চৎথরিবা খোঙচৎ অসিগী শরুক অমা ওইনা অখন্ননা ৱারী শান্নরুবদা হংখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্লা হায় -

**ৱাহং :** লৈবাক মীয়ামগী থৌগল তৌগনি হায়দুনা ভোট লেপ্পগী ৱাখল ফাওরক্লিবসি করি করম্বা ৱাখল্লোলদগী অমদি করি পেন্দবা লৈবদগীনো?

**পাউ :** অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা শান্নরোই অমদি সোসল ৱর্কর অমা ওইনা হৌরকখি। মীয়ামগা পুল্লগা থবক তৌবা অমদি মীয়ামগী মতেং পাংবদা মীয়াম্না হরাউবা অদু উরগা পেঞ্জবা মীশকনি। লোয়ননা শান্নরোই ওইনা ইন্দিয়াগী রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নরুবগীদমক হাবিলদারগী থবক পীরকখি অমদি জমান্দরগী পোষ্ট ফাওবা ওইনবা মতম অদুদা ওফর পীরকখি। অদুবু মীয়ামগী থবক তৌদবা য়াদে, ঐ খক ফবনা য়ারোই হায়না খঞ্জবদগী থবক অদু থাদোক্লমখি। মীয়ামগী থবক তৌবদা ভোট লেপত্রবসু অমদি ভোট কারগসু তৌবা য়াই। অদুবু মীয়ামগী থবক কয়া তৌদুনা লাক্লিবা অমদি মখা তানা তৌজগে খল্লিবা অসি ভোট কারবদি অমুক্তা হেন্না মপুং ফানা পাকশন্না পাঙথোকপা ঙমগনি। মরম অদুনা পোলিটিক্সতা চঙলক্তুনা ভোট লেপ্পগী ৱাখল্লোল লাকখিবনি। হান্নগী লৈরম্বা পোলিটিক্সকী লুচিংবশিংগা নৌনা পোলিটিক্স তৌগনি হায়না থোক্লক্লিবা নহাশিং অসিগা য়েংনরুবদা মীওইবগী মীনুংশি, প্রিন্সিপল অমদি তোঙান-তোঙানবা হীরম কয়াদা খেন্নবা কয়া ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# খুদোংচাদবা মায়োক্লরবসু মথৌ পাঙথোক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচএনএস): মণিপুর গভর্ণমেন্টনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী সেকেন্দ ৱেভ মায়োক্লন্দুনা লাকশিন্নবগীদমক লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুং চন্না ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট পূম্নমক্তা থা অসিগী ১৮দগী হৌরদুনা ২৭ ফাওবা থমগদৌরিবা টোটেল কর্ফিয়ুগী অথিংবা অসি মণিপুরগী বোর্দর দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা জিরিবামগী মফম পূম্নমক্তসু মপূং ফানা এনফোর্স তৌদুনা চৎনহন্নবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরবসু জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি হায়রি।





জিরিবাম পুলিস ষ্টেসনগী পর্সনেল অমনা ফোঙদোরকপদা গভর্ণমেন্টনা থম্লক্লিবা কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং দিষ্ট্রিক্ট অসিদসু মপূং ফানা চৎনহল্লি। কর্ফিয়ুগী অথিংবা মরক্তা হায়রিবা অথিংবা অসি থমদবা য়ূমলোন্নবা ষ্টেটকী তোঙান ...মখা লামায় ৩ কলম ১